## ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচ এন এস) ঃ চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১২শুবা এদিসন অদু জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসন (জেদ এফ এ) গী লমজিং মখাদা থা অসিগী ৩দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়দমা হৌরগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গেনাইজিং কম্মিটগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ওপনিং সেরেমোনি অমসুং অহৌবা মেচ অদুসু খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরি। হায়রিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়রমেন অমদি এম এল এসু ওইরিবা এল রাধাকিশ্বর, ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ এন ইন্দ্রজিৎ, নাওরিয়া পাখঙলাকপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্র, মণিপুর প্রদেশ বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট জোতিন ৱাইখোম্না গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইগনি। অদুগা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট অমু কামৈনা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইগদৌরি।

পূন্না টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৩৪না গ্রুপ ৮ থোক্লা শরুক য়াদুনা টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরি। নবেম্বর ৩গী হৌদোকপা নুমিৎতা গ্রুপ সীগী রগাইলোং য়ুথ ক্লব (আর ৱাই সী) অমসুং নমদুংলোং য়ুথ ক্লব (এন ৱাই সী) না শান্নগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা মেচ অমা শান্নগদৌরিবা অদুগী মাঙওইননা শরুক য়ারিবা টিম ৩৪গী শান্নরোয়শিংনা মার্চ পাষ্ট চৎকনি, ওট টেকিং সেরেমোনি পাঙথোক্লবা মতুং নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈ অমসুং অতোপ্পা প্রোগ্রামশিংসু পাঙথোক্কদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন অমসুং পব্লিসিটি সেক্রেটরি থাইঙমলুং গাংমৈনা ফোঙদোরকখিবা চেরোল অদুদা অহৌবা নুমিৎ অদুগী মেচ খুমন লম্পাক কমপ্লেক্সকী ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নরবা মতুং অতোপ্পা লেমহৌবা মেচশিং অদুদি থাংমৈবন্দদা লৈবা থাংমৈবন্দ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (থাও) গী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নবেম্বর ৪দগী হৌগনি হায়রি। কম্মিটি অসিনা জেলিয়াংরোং কম্যুনিতি অমদি অতোপ্পা মীওইশিংনা শরুক য়াবীনবা অমদি তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা টুর্নামেন্ট মনুংদা বন্দ নৎত্রগা ষ্ট্রাইক তৌবীদনবা হায়জরক্লি।

## লমলাই কপ অন্দর -১৪ সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেচ অনী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচ এন এস)ঃ লমলাই ষ্টুদেন্টস আইদিএল ক্লবনা স্পোন্সর তৌরগা এফ সী লমলাইনা শীন্দুনা লমলাইগী শান্নবুংদা থা অসিগী ২০দগী হৌদুনা চৎথরিবা লমলাই কপ অন্দর -১৪ সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসিগী ২৫শুবা অমসুং ২৬শুবা মেচ অনীমক দ্রো চৎখ্রে।

টিম ১৭না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা লমলাই কপ অন্দর-১৪ সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ২৫শুবা মেচ অদু ঈ য়ু এস সী তেলৌ অমসুং পি ৱাই পি সী খুন্দোংবম লম্বা তৌনখিবনি। হায়রিবা মেচ অদুদা টিম অনীমক্না অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু দ্রো চৎখি।

অনীশুবা মেচ ওইনা এন পি ৱাই সী, চানা অমসুং এফ সী লমলাই (এ) লম্বা তৌনখি। শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা এফ সী লমলাইগী মায়কৈদগী মার্সেলনা পাঞ্জল অমা চনখি। মখা তারকপা ওইনা ১৩শুবা অমসুং ১৪শুবা মিনটতা এন পি ৱাই সীগী রসিয়া অমসুং অরাংবনা পাঞ্জল অমমম চনখি। শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা এফ সী লমলাই (এ) না ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। থংনবা মিনটতা এন পি ৱাই সীগী অরাংবনা টিম অদগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং এফ সী লমলাই (এ) গী কে এস ঐচ বিজুনা ৩৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা টিম অনীমক পাঞ্জল ৩-৩দা লৈনখি। অরাংবনা হেটত্রিক ফংদুনা ৩৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুবু লমলাই (এ) গী অমরজিৎনা ৩৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা পাঞ্জল ৪-৪দা টিম অনীমক দ্রো চৎখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮২

১। মহাক অতোপ্পা লৈবাক অমগী মমিংদা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংখি। চহী খরগী মতুংদা মহাক্কী পোক্লফম মমা লৈবাক্তা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপদা মহাক্না ওলিম্পিক্কী মৈরা পায়দুনা গেমস হৌদোকপা নুমিত্তা ষ্টেদিয়মগী ত্রেক্তা লমজেল চেনখি। মহাক কনানো ?

২। অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমসতা মেঘালয়াসু শরুক য়াখি। মদুদা ষ্টেট অদুগী চিফ-দি-মিসন ওইখিবা মীওইদুগী মমিং পীয়ু।

৩। ইম্ফালদা হৌখিবা চহী ১৬ অসিদা লমদম অসিগী খ্বাইদগী চাউবা লমজেল 'মেগা মরাথোন' পাঙথোকই। মরাথোন অদুদা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিংসু শরুক য়াখি। মরাথোন অদুদা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনল মরাথোন্দা শরুক য়ারুবা লমজেল্লোয় অদু কনানো ?



৪। "ষ্টেটশিংগী মীওইশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবদা মতেং ওইগনি। শান্নবগী লম্দা অপূনবা শক্তম অমা লৈনবগীদমক গেমস অসি মখা তারকপা চহীশিংদা পাঙথোকপগী মথৌ তাই।" ৱাহৈশিং অসি হায়খিবা মীওই অদুগী মমিং পীয়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।




## শিংজমৈ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১ (ঐচ এন এস)ঃ শিংজমৈ কাংখূৎ চীংঙামথক্লা শীন্দুনা শিংজমৈ কাংশঙদা চথরিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা শিংজমৈ কাংখূৎনা থাংমৈবন্দ কাংখূৎপু পাঞ্জল ২০-১২দা মায়থীবা পীখ্রে। তোঙান তোঙানবা কাংখূৎ ১৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি থাংমৈবন্দনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা শিংজমৈনা সাইদ খনখি। শিংজমৈনা ফজবা হেন্দুনা ২০-১২দা থোইখি। থা অসিগী ৩দা য়াইস্কুল অমসুং ৱাঙ্গোই শান্নরগনি।

## ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদভানিনা এসিয়ন স্নুকর টুরগী টাইটল ফংখ্রে

জিনান, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) ঃ চাইনাগী সিট জিনান্দা পাঙথোকপা এসিয়ন্স স্নুকরগী অনীশুবা লেগতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পঙ্কজ অদভানিনা ঙরাং য়ূম্বু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় জু রেটিবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী টাইটল ১৯লক ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদভানিনা ঙরাং জিনান্দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন্স স্নুকর টুরগী অনীশুবা লেগকী ফাইনেল অদুদা চাইনাগী শান্নরোয় জু রেটিবু য়াম্না হেনবা মওংদা ফ্রেম ৬-১দা থোইদুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল বিলিয়র্দস এন্দ স্নুকর ফেদরেসন (আই বি এস এফ) না ৱর্ল্ড বিলিয়র্দস এন্দ স্নুকর চেম্পিয়নশিপ অদুদা য়াম্না ফজনা শেম শাবা ঙল্লি হায়বদু মীয়ামদা খঙহনখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদভানিনা বিলিয়র্দস অমসুং স্নুকরগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মমাঙদা পাঙথোকখিবা টাইটল অদুসু মহাক্না লৌবা ঙল্লিবনি।

চাইনাগী জিনান্দা পাঙথোকপা অনীশুবা এসিয়ন স্নুকর চেম্পিয়নশিপ অদুদা বোল অঙাঙবা মচুগী মশীং ১০গী ওইবা অনৌবা ফোর্মেট অমা শান্নখিবা অদু শান্নরোয় অয়াম্বনা তরাম্না ওকখি। অদুবু চেম্পিয়নশিপ অদুগী লোইশিল্লকপদা অদভানিগী মশান্না অদুদা চাইনাগী জু রেটি উপায় লৈখিদে।

ফ্রেম তরেৎকী ফাইনেল মেচ অদুদা অদভানিনা অহানবা ফ্রেম অদু ৪৮-৩৫, অনীশুবা ফ্রেমদা ৬৭-২৩দা থোইখি। অদুবু অহুমশুবা ফ্রেম অদু চাইনাগী জু রেটিনা ৬৯-২৪দা থোইখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা মখা তারকপা ফ্রেম মরি থংনা থংননা পঙ্কজ অদভানিনা ৬৩-৩৩, ১০০-০, ৪৭-১৯ অমসুং ৯৪-০দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী শান্নখিবা মশান্না অদুদা অশোয়বা অমত্তা য়াওখিদে হায়বা য়াই।

মশাগী চহী ৩৩শুরবা পঙ্কজ অদভানিনা হেন্না পামজনা শান্নবা মশান্না অদু স্নুকরনি। অদুবু চৎলিবা থা অসিগী ১২দগী ২৭ ফাওবা ইন্দিয়াগা থংনবা লৈবাক ওইরিবা ম্যান্মারনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড স্নুকর চেম্পিয়নশিপ নিংথিনা শেম শাবা ঙল্লি।

এসিয়া স্নুকর টুর অদুগী অনীশুবা লেগ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পঙ্কজ অদভানিনা ক্বার্টর ফাওবা য়ৌরকপগী লম্বেলদা লীগ টুর্নামেন্ট অদুগী তোঙান তোঙানবা লম্বা মায়োক্নরকপদা ফ্রেম ২-২খক্তমক মায়থীবা নংদুনা নোক আউট ষ্টেজ অদু য়ৌরকপনি।




খঙহল্লকপশিংবু থৌগৎলি - শেঞ্জা থুমজাগী থবকশিং রিপোর্ট তৌবা য়াগনি :-

**সেণ্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন**
সটারকটা ভৱন, জি পি ও কমপ্লেক্স,
ব্লোক এ, আই এন এ, ন্যু দেল্লি - ১১০০২৩
ফোন : (০১১) ২৪৬৫১০২০ / ফেক্স : (০১১) ২৪৬৫১০০৯
ঈমেল : cvc@nic.in

**দিরেক্টরেট জেনরেল ওফ ভিজিলেন্স**
ইন্দাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টমস, ২শুবা ফ্লোর, হোটেল সমরাট,
চনক্যাপুরি, ন্যু দেল্লি - ১১০০২১
ফোন : (০১১) ২৬১১৫৭২২ / ফেক্স : (০১১) ২৬১১৫৭২৪
ঈমেল : dg.vig-cbec@nic.in

মখাদা পীরিবা ফমশিং অসিদা জোনেল এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ ভিজিলেন্সতা পাউ পীবা য়াগনি :-

**নোর্থ জোনেল য়ুনিট** : রুম নম্বর: ২৭৩-বি, সেকেন্দ ফ্লোর, সী আর বিল্ডিং, আই পি ইষ্টেট, ন্যু দেল্লি-১১০১০৯
➤ ঈমেল : adgvignorth@icegate.gov.in ➤ ফোন : (০১১) ২৩৩৭০০০৬/ফেক্স (০১১) ২৩৩৭০৯৮২

**সাউথ জোনেল য়ুনিট** : মঙাশুবা ফ্লোর, কৃষ্ণ ব্লোক, নম্বর ৬০ রজলি সলাই, কষ্টম হাওস, **চেন্নাই** - ৬০০০০১
➤ ঈমেল : adgvigsouth@icegate.gov.in ➤ ফোন : (০৪৪) ২৫২৩৩০৬৩/ফেক্স (০৪৪) ২৫২২০৭১৩

**ইষ্ট জোনেল য়ুনিট** : মরিশুবা ফ্লোর, বেম্ব ভিলা, ১৬৯, এ জে সী বোস রোদ, **কোলকটা** - ৭০০০১৪
➤ ঈমেল : adgvigezu@gmail.com ➤ ফোন : (০৩৩) ২২৮৬৬৯১৭/ফেক্স (০৩৩) ২২৮৬৬৯২৯

**হায়দরবাদ জোনেল য়ুনিট** : হাওস নম্বর: ১-১১-২৫১/১০, এস ভি'স ত্রিনব হাইটস, ভেগমপেট, ওপোজিট মেক্স ভিজন আইস হোস্পিটাল, **হায়দরবাদ** -৫০০০১৬
➤ ঈমেল : adgvig-hzu@gov.in ➤ ফোন : (০৪০) ২৭৭৬৪১৯২/ফেক্স (০৪০) ২৭৭৬৪১৯০

**ৱেষ্ট জোনেল য়ুনিট** : তরেৎশুবা ফ্লোর, এনেক্স বিল্ডিং, ন্যু কষ্টমস হাওস, বলার্দ ইষ্টেট, **মুম্বাই** -৪০০০০১
➤ ঈমেল : vigilancedirectoratewzu@gmail.com ➤ ফোন : (০২২) ২২৬১৯৫০৬/ফেক্স (০২২) ২২৬৭৫৩৭৭

**অহমেদবাদ জোনেল য়ুনিট** : ৪শুবা & ৫শুবা ফ্লোর, বি এস এন এল টেলিফোন একচেঞ্জ বিল্ডিং, ন্যু মঙাল মুর্টি, নরানপুরা, **অহমেদবাদ** -৩৮০০৬৩
➤ ঈমেল : adgvigcex.ahm-gj@gov.in ➤ ফোন : (০৭৯) ২৭৪৭৫৫৫১/ফেক্স (০৭৯) ২৭৪৭৫৫৫৩

**লক্ষনৌ জোনেল য়ুনিট** : ৭-আর, দালিবাগ, বটলর রোদ, **লক্ষনৌ**-২২৬০০১
➤ ঈমেল : dgovlkoggmail.com ➤ ফোন : (০৫২২) ২২০৪৪১২/ফেক্স (০৫২২) ২২০৪৪১৩

davp 15502/13/0063/18-19

সেণ্ট্রেল বোর্দ ওফ ইন্দাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টমস
www.cbic.gov.in

## ৫শুবা ৱান দে মেচ ৱিকেট ৯দা ৱেষ্ট ইন্দিজবু থোইদুনা সেরিজ অদু ইন্দিয়ানা মেচ ৩-১দা লৌখ্রে




টিরুবনন্থপূরম, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) ঃ ইন্দিয়াদা লাক্তুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ক্রিকেট টিম্না শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজগী মনুং চনবা মেচ মঙাগী ৱান দে ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট লম্বাগী ঙসি কেরেলাগী টিরুবনন্থপূরমহী গ্রিনফিল্ড ইন্টরনেসনল ষ্টদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা অমদি মঙাশুবা মেচ অদু ইন্দিয়া য়াম্না কোম্না ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীদুনা ৱান-দে সেরিজ অদু মেচ ৩-১দা মায়পাক্তুনা লৌখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বোট্টিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদুবু য়াম্না খুদুম চন্না শান্নবা ঙমদুনা টিম অদুগী ফজবা পার্টনর্সিপ অমত্তা শেমহন্দনা থমখি। মখোয়গী ইন্নিংস অদু শুপ্পগী ওভর ৩২শুরকপদা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ১০৪খক লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুগী অহানবা অমসুং অনীশুবা ওভরদা ইন্দিয়াগী বোলর ভুৱনেশ্বর অমসু জসপ্রিট বুমরানা ৱিকেট অমমম আউট তাহনখি। ওপনর কৈরান পোলর্দ রন অমত্তা লৌহন্দনা আউট তাহনখি। অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা নৌনা ফিল্ডদা শান্নবা চঙলকখিবা সাই হোপপু বুমরানা রন লৌহন্দনা আউট তাহন্দুনা টিম অদুগী স্কোর অদু ওভর অনী লোয়শিল্লকপদা রন ২খক লৌরগা বেটসমেন অনী আউট তাখি।

ওপনর রোমেন পাৱেল অমসুং মার্লোন সম্যুলসনা ৩শুবা ৱিকেট পার্টনরশিপ অদুদা রন ৩৪ হাপচিনবা হৌবদা ঙাইরিঙৈ মাম্যুলসপু ইন্দিয়াগী ওল রাউন্দর রবিন্দ্র জদেজানা রন ২৪দা আউট তাহনখি। শিমরোন হেটমর অমসুং পোৱেলনা ইন্নিংস অদুগী রন ৫৩ শুহনখি। অদুবু হেটমরবু অমুক্কা হন্না জদেজানা আউট তাহন্দুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী পার্টনরশিপ মপূং ফানা ফজবা ঙমখিদে। ইন্নিংসকী রন ৯৪খক শুরকপদা টিম অদুগী বেটসমেন ৮ আউট তাখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্তেন জেসন হোল্ডরনা রন ২৫ লৌরমখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বায়দগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। মখাতাখিবা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা অমত্তা ঙমখিদে। ওভর ৩২গী ৫শুবা বোলদা রবিন্দ্র জদেজানা ১১শুবা বেটসমেন ওসানে থোমাসপু রন লৌহন্দনা আউট তাহন্দুনা ইন্নিংস লোয়শিনখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রবিন্দ্র জদেজানা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ৪ আউট তাহন্দুনা খ্বায়দগী ফজবা বোলর ওইখি। খলিল অহমদ অমসুং জসপ্রিট বুমরানা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি। অদুগী কুলদিপ যাদব অমসুং ভুবনেশ্বরনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি। মায়পাক্নবা ইন্দিয়ানা রন ১০৫গী তার্গেট লৈখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রোহিট শর্ম্মা অমসুং সিখর ধৱননা ইন্নিংস হৌদোরকখি। অনীশুবা ওভরদা ইন্দিয়াগী ওপনর সিখর ধৱন রন ৬কা ওসেন থোমাসনা আউট তাহনখি। কেপ্তেন ভিরাট কোহলি শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না রোহিট শর্ম্মনা মখাতানা আউট ওইদনা মায়পাকপগী টারগেট অদু য়ৌবা ঙমখি।

মেচ মঙাগী সেরিজ অসিদা সেঞ্চুরি অনী য়ৈবা ঙমখিবা রোহিট শর্ম্মা ঙসিসু য়াম্না ফজবা ঙমখি। মহাক্না বোল ৫৬ মায়োক্নবদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৫ য়ৈবা ঙমখি। ঙসি রোহিট শর্ম্মনা সিক্স ৪ য়ৈখিবা অদুনা মালেমগী বেটসমেনশিংগী মনুংদা ইন্নিংস ১৮৭দা সিক্স ২০০ য়ৌবা ঙমদুনা খ্বায়দগী মেচ মশিং য়ামদনা য়ৌবা মালেমগী অহানবা বেটসমেন ওইরি। ইন্দিয়াগী ওইনা মহাক্কী মমাংদা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা পুন্না ৱান দে মেচ ৩৩২ শান্নরকপদা সিক্স ২১৮ লৌদুনা খ্বায়দগী মমিং য়াম্না সিক্স য়ৈবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ওইখি।

রোহিট শর্ম্মনা পাকিস্তানগী বেটসমেন সাহিদ আফ্রিদিনা সিক্স ২০০ লৌবা অদুদা ইন্নিংস ১৯৫দা লৌখিবনি। মুদুগী রেকোর্দ অদু ঙসি রোহিট শর্ম্মনা থুগাইবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়া অমসং ৱেষ্ট ইন্দিজনা মখাতানা টি-২০ মেচকী সেরিজ শান্নখিবনি। অহানবা মেচ অদু থা অসিগী ৪দা কোলকটাগী ইদেন গার্দেন্সতা রোহিট শর্ম্মনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী টিম্না শান্নরগনি। ভিরাট কোহলি টি-২০ সেরিজ অসিদা শরুক য়ারোইদৌরি।